# হিরামোটি নঙগী নুংঙাইবা পাউদা

**সোরোক নোরেন**



“**লান্নদি** খনবীগনু বার্ত্তনদো নন্বীরুখিনু। ঐ-ঐ লুহোংবা ঙমজরোই। মরুপকী মমাঙদা ৰাহৈ অসি হায় হায়দুনা লান্না খনবীগনু, মরুপ্না ইনভাইটেসন অমা চৎখ্রবদি প্রোব্লেম কয়া থোরক্কনি খনবদুনা মরুপসু য়াওনা খঙহঞ্জবনি চেদু পীবিরম্মু। ঐগী মপোকসে কয়াদা লাইবক থীখ্রবীনো। লানসু লাঞ্জদ্রবী ঐসে নমদুনা লালহনবীরে। তুমিন্না থম্মোয়দা থমগদবা ৰাহৈ কয়াসু নমদুনা হায়হনবীরে। মীওই কয়াবুসু য়েংথিনবা ওইহনবিখ্রে। ঐবু অৰাবা পীরগা মখোয়না অসুক য়াম্না নুঙাইরিবা করিগীনো। ঐনা পুন্সিগী য়ূম পানবা ঙম্লরোই হায়বগা মখোয়না অসুক য়াম্না শাওরিবসিনা করিগী। ঐনা শিরগা মখোয়না পেনগনেনা খনব্রা। সার, ঐদি ইমাদা কয়ারক হন্না হায়জখিবনি। ঐ পুন্সিগী য়ূম পানবা ঙমজরোই হায়না।”

ৰাহৈ পরেং খরা অসিনা নঙগা ঐগা শকখঙনখিবা মীকুপ হায়বদু ওইরগা ঙসি ফাওবদা নঙনা ঐবু হুমদুনা পুরিবা থম্মোয়সে খাঙফম খঙদ্রি। অমুক্না পীজা, অমুক্না থাজ, অমুক্না থাদোই, অমুক্না হিরামোটি। মিং হোং হোংদুনা শক্লোন কয়া পু পুদুনা লাক্লিবমখৈ চৈনা অমমমদি হাপকৎলক্লি। খাঙফম খঙদনা চৈনা অসিমক্না অমুক্কসু হেন্না নুঙাইবা পোকহল্লিবা মীকুপশিং য়াওরক্তবদি নত্তে। মমাঙগী কুমজাদসু নঙনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনগী লেমজবী হায়বদো ওইখি। মদুগী নুঙাইবা পাউগী মীকুপ্তুনা খাঙফম খঙদবা ইহুল অমদি ইরৈদা লুপ্তুনা লৈরুই। হন্দক্কী কুমজাসিসু হিরামোটি নঙনা লেমজনিঙাই ওইরবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনগী বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংলে। নঙগী এক্টিং অমমম অমদি দাইলোগকী ৰাহৈ খুদিংদা ঐগীসু অর্শিব্বাদ অমমম লোইনরিবনি। লেপ্লখো ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্না মপাঙ্গল লৈবা হেল্লক্লিবমখৈ মঙগী মঙলানসু মপুং ফানা উৎলকখো। মদুনি পুন্সিগী থৌদাংদা মাই পাকপগী খুদম। অকা অকুম, থাশি-পুর্ণিমা খায়জসনু। অদুবু নঙগী পুন্সিদি পুর্ণিমাতা ওইনবা হোৎনগদবনি। ৰাংনা থোকপী থাজবু ইচাওনা চঙবা ঙম্বরনে। নঙাল লৈনা ঙানগে হোৎনরক্লিবী হিরামোটি নঙগী পুন্সিদি পুর্ণিমাতা ওইবা ঙম্বা পীনবীসনু। ঐনদা চেকশিলহন্নিংলুবনি অদুবু নঙনদা তৌথোরকপনা চেকশিনবা হেনবগী খুদম উৎলকপসিনদি হায়ফম খঙদে, থাগৎনবগী ৰাহৈ লৈতে। অহেনবদা ওইরিবী নঙনা মীমাং থোরকপসিদা নঙবু হিরামোটিনি হায়না শকতাক্কবা হোৎনবদা ৰাখিবা মীকুপ, তাখিবা হুমাং ইরিক করিগী খঙদনি। মদুগী মমল নৎত্রা ঙসি নঙনা ফংলিবা মিংথোল। নঙনা হোৎনদ্রগবু নঙ নশানা থাজবা ঙমদ্রগবু করম্না মীয়াম্না থাজবা ঙমগদৌরিবনো। পীজাদা নঙনা উৎখিবা শক্লোনশিংদো করম্না কাওগদৌরিবনো।

ইমা তম্ফা ঃ নুপীদা নুপীনা কল্লকচবসিদি ইচা মঙাইরে।

পিজা ঃ ইমানা পংথা থাগৎপীরেদা কদাইদগী।

ইমা তম্ফা ঃ অদো, পাবুং কদাইদা চৎখিবগে, পাবুং উদ্দবসিবো ইবেম্মা।

পিজা ঃ থবক অমা চৎথোকখিয়ে ইমা।

ইমা তম্ফা ঃ অদুদি ইবেম্মা ইমা নঙোন্দা ৰা অমতা হংজগে নঙ ইমাদা লান্না খনবিগনুকো।

পিজা ঃ হায়বিয়ু ইমা।

ইমা তম্ফা ঃ ইচাগী খঙন চান্নজবকা লৈব্রা ইবেম্মা? হঙ্গৈইগনু ইমানা নঙোন্দগী খঙনিংবা অমা লৈদুনা হংজবনি।

পিজা ঃ হায়বিয়ু।

ইমা তম্ফা ঃ খঙন চান্নজবা লৈব্রা ইবেম্মা।

পিজা ঃ হুম! লৈতে ইমা।

ইমা তম্ফা ঃ লৈতে, অদুদি ইমা য়াম নুঙাইরে। ইমা নঙোন্দা ৰা অমতা হায়জগে নঙ য়াবিগেরা ইবেম্মা। পাবুংদসু ইমা কন্না হায়জগে।

পিজা ঃ হুম! পাবুংদসু হায়বিরুনু ঐঙোন্দসু হায়বিগনু ইমা। ইমাহোইগী নীংবা থুংহনবা ঙমদ্রবদি নচা পাপ লংশিনবা ঙমজরোই ইমা।

ইমা তম্ফা ঃ কৈনো ইমানা হায়গদৌরিবা ৰাসি নঙ খঙলবরা পিজা?

পিজা ঃ ইমাগী ৰাহৈ খরদা ঙসাইনা নচানা ভাব তাজখ্রে ইমা।

ইমা তম্ফা ঃ অদুদি ইমানা নঙবু ইমৌ ওইজগে হায়বা ৰাহৈসি ফাওবা ইমাবু হায়হল্লরোইদ্রা ইবেম্মা।

পিজা ঃ ইমাগী নুংশিবদো নচাগী থম্মোয়দা চুশিল্লক্ত্রিঙৈদা নচানা ঙাকথোকচহৌবনি ইমা, লান্না খনবীগনু।

ৰাহৈ অমা অনীখক্তনা তুংদা হায়রক্কদৌবা ৰাহৈ কয়া অমা মাঙজৌননা খঙবা ঙম্বী মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয় শুন্বী ওইবদুনা নঙনা শুমাং কুম্মৈসিদা লাম্বা লৈতনা ঙাম্হোইরি। চনখো, মীওই কয়াগী থম্মোয় পেন্না খুদুম চনখো। ঐগী ইরোন অসিদি য়ামজদবা মীশিংগী মগুন লৈবা ওইরবসু মালেম শিনবা ঙম্বগী শক্তিদি অদুম মৰাৎলগনি। করিগুম্বা নঙনা উৎথোক্লিবা অমদি অয়েংবা পুন্নমক্তা পীরিবা ইথিল অসিনা সংসার অসিগী মীওই বিলিয়ন কয়াদা পীবা ঙম্লম্লবদি নঙনা লেপক্কদবা মফম লৈরোই পিজা। অশেংবনি নঙনা ঐগী ইরৈচাশিংদা পীরিবা নঙগী কলাগী মহাও অদু জাৎ তীন্নদবা মরোল ইরোল তীন্নদবা মখোয়গী থম্মোয়দা য়ৈবা ঙম্লবদিকো…।

“খুম্মো, চীংলেন কনানো, খুম্মো ঐঙোন্দা এনগেজ তৌনবা থাজিল্লক্লিবা চীংলেন কনানো খুম্মো। নঙ ঙসাইদি ৰা য়াম ঙাওখিদাইনে, খুম্মো, চীংলেন কনানো খুম্মো মঙাল। খুম্মো চীংলেন কনানো। ঐগী নুংশিবদি নঙ খক্তনি মঙাল। নঙগী নফমদা ঐগী নুংশিবগী ময়োল চোংবা কংখ্রবনি। করিগীনো ঐসে লৈখা তারে খঙনা খঙনা নঙনা খোংপাক্লা নেৎশিন্দুনা থন্বীরিবা করিগীনো। ঐনা য়ূম পান্দনা লৈবদা কয়ামুক য়াম্না কায়রগে।”

মশানা ফজদুনা লৈজরবা দাইলোগশিং অসি নঙগী লৈজবী কলানা থৰায় হাপ্লকান্দতা অয়েংবশিংগী থম্মোয়দা ফাওরিবা ইহুল অদুদনি নঙবু পিজা পিজা হায়নরিবা। অদুননি নঙগী চাউরবা থৌদাংদুনা পুন্নমক্না খৌরাংবা মীৎয়েং ঙাইরিবসে। অমুক্কসু পেনদে, অনীরক, অহুল্লক, মথং-মথং। লাক্লিবা অমদি লাক্কদৌরিবা কয়াগী শক্লোন পুবী ওইদুনা কুমজা কয়া ঙাইখিবা তারিবগে। ঙাইবগী চোকথবদি লেপত্রিবনি নঙনবু ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা থোরক্কনি হায়রবদি। শুমাং কুম্মৈ হায়বসি নঙগীদমক ঈশ্বরনা খুদোল তল্লম্লবদু মঙাই।

অশেংবা সনাগী ঙা হায়ববু লৈব্রনে তাইবঙসিদা। ঙা হায়বা জাৎসিদি অপীকপা ঈশিং অমদি অচৌবা সমুদ্রদা চাক্তাফম ওইদুনা মনিং তম্না লৈবা জীবনি। কংফালদা ঙানা হিংবা ঙমই হায়বদি তাদে। মদুদসু নত্তনা সনাগী ঙা হায়বসু লৈতে। অদুবু হিরামোটি নঙনা মালেমসিদা সনাগী ঙা ওইনা খুদম পীদুনা লৈ তাক্লিবা কলাদুবু করম্না থাগৎলোইদৌরিনো। শেংদ শেংলবা সনাগী কুম্মৈ সনাগী ঙাদা উৎখ্রিবা নঙনা নুংশিজবা দা থোইদা থমখ্রিবা থাজবদুমক্না নঙনা ফংজখি সনাগী ঙা ওইনা।

“শুমদৌবনি লৈবাক খিত্তং হোন্দোক্কদবা ঐখোয়দা থাগদবা লৈবাক্তো দ্রাইভরদুনা খঙদদুনা ঐখোয়গা থঙনবদুদা হেক থাজিল্লম্লবা। লৈবাক্তো য়ারগদি অমুক্তা হোন্দোকপীঙনা হায়জগে তৌবা।”

কলা ওইরবসু অদুক য়াম্না ইমোসন ওইবা এক্টিংশিংদুবু করম্না ভাবক্না খাঙবা ঙমগদগে। চীলহাও থীগনবা লমদমসিগী অয়েংবশিংনা নঙোন্দদি ৰাহৈ অমফাওবা হঙ্গৎনা হায়নবগী তাঞ্জা ফংনদ্রিবনি। পুন্নমকসিগী ইহুল খঙনা নঙনা নঙগী ওজা গুরুগী চপ চাবা লীচিং অদুগী খুদুং ইন্দুনা চৎপগী মহয়না নৎত্রগা নুংশিরবা খৃৎশা ময়ামদুনা নকোক্তা নাম্থবিরিবদো। নঙবু খৃৎ পায় পায়দুনা তাকপীরকপা ওজা গুরু কয়াদা নত্তনা নঙবু নুংশিবা কয়ানদি চীনবাল থোক্না থাগৎপমক ঙমদ্রবসু নঙগী কলাবু উবদা থাগৎলিবনি হায়বদুদি নঙসু খঙলিনি। অমরোমদনা শিনফম অমা ওইনা শৈশক্লিবী কয়ানা নঙনদি মতৌ মান্নবনি হায়দুনা উৎলিবা শক্লোন্দু উবদা শিনফমদু থাদোকপনা ফরদ্রা খনবা কোঙ্গায়সু য়াওরমগনি। করিনা হায়ববু নঙগী অশেন্বা কলানা অশেংবা তাইবঙদগী হেল্লি হায়বা মশানা য়াজরবা শৈশকপী কয়াগী থম্মোয় হুখ্রবনি। পীকখ্রবা ফম্বাক অসিদা নঙনা পুরক্লিবা শক্লোন ময়াম অসিবু কদায়দগীনো। অশেংবা রেকোর্দিং ষ্টুদিওদা তৌরবসু মপুং ফানবা হোৎনবদা অচৌবা মায়োক্লবা অমদি অদুম লোইনরি। অদুবু নঙ অমদি নঙগী মরুপ মপাংশিংনা পীকখ্রবা ষ্টেজ অসিদা মনুংগী মপানগী অশোয় শোয়দা কয়াবু লিক্লম কায়দনা পুখৎলক্লিবা করিনি হায়না পাউদমসিগে। পুন্নমকশিং অসিগী মনুংদা মীয়ামগী মীৎয়েংফমদি অমুক্কসু নঙোন্দা ওইরিবনি । নঙনা উৎলিবা শক্তম পীরিবা পাউজেল লমদমসিগী চৎনবীগী লৈহাওদা চাওজবীনি হায়নসু উৎলিবা মরক মরক্তা মোমোন মীনোক্কী মগুণ ময়ামসিবু উরুবদা তাইবঙ পুন্সি কাউবা ফনা য়াম্না য়াওরমগনি। নঙ হেনমল্লি, চুম্না তৌদে চৎনরিবা চাংদুগী পল য়াম্না ৰাংনা লাল্লি, কায়াৎ অমা হেল্লি। মীয়ামদগী হেন্দোক্না তৌরক্লিবা নঙগী কলা থাগৎতবা ঙম্লোই। শুকঙম ঙম্লোই হায়রিসিনি। নত্তে সিবু ঐনা হায়জিনবরনে। নঙগী বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনাগীদমক খন্ননবা জুরি মেম্বরশিংদুদা ঐ য়াওরুবসু নৎতে। ঐ খক্তনা হায়বা নত্তেনে। অখঙ অহৈ কয়ানা মীকুপ খুদিংগী থাংলিবা খোঙথাং য়েংলিবা মীৎয়েং লুতুংগী পুল্লিবা অমদি থাদোক্লিবা মুরবা শল্লাংগী মশীং ফাওবা থীবা য়ৌনা চেকশিন্না য়েংলবকান দা মতিক চারবীনি হায়নরকপা কুমজা অনী শুরক্লবনি। ঐ খক্তনা লোন্না থোঙ্গ্রাম হিরামোটি ফজৈ, এক্টিং হৈ, তৌথোরকপা খুদিং পকচৈ, শুমাং কুম্মৈগী অশেংবা লীলারোই মাল্লি হায়বা নত্তে। মীয়াম পুন্নমক্না য়ারবনি। মসিদবু ঐনা ফোংনা থাগৎপা, নঙগী মরমদা মীয়ামদা পাউদম খরদং নৌহৌননা নঙগী হন্দক্কী নুঙাই পাউসিদা পাউদমজবা নঙনসু শোইদনা অয়াবা পীবিরক্কনি থাজৈ। থাজবসিগী মরুমদনি ঐনা ঙসি ফাওবা হিরামোটিগী কলাদা ঙাওজদুনা মফম খঙদনা লেনজরিবা। কয়ামুক য়াম্না নঙবু নঙগী তাকপীরিবা ওজা গুরুশিংদুনা নুংশিবনো। নৎত্রগনা নঙনা মখোয়শিংদুগী থম্মোয় কয়ামুক য়াম্না পেন্নবা বেব্যহার উৎলুরবনো। চৎনবী থৌগল্লোন থকসি খাসিগী মগুন অমদি চাওনা লোইনবগী মমিবুদি তারিবনি।

নঙনা নঙগী সনাগী ঙাগী শায়োন্দা তাইবঙসিদা তিল্লখিবা নুমিৎনি হায়দুনা, নঙগী মরুপ মপিজা কয়াবু ইপোক নুমিৎকী নামাদা পাঙথোকখিবা বার্থদে নুমিৎতো মীৎতা শঙ শঙনা উরি। নশুং নমান্নবী কয়ানা নঙনা ঈশৈ শকপা তানি হায়দুনা ইনশিল্লকপদা নঙনা শকখিবদো। মীয়াম মরক অদুদা নঙনা মশক ফজবী লাইধিবী মচানা জগোয় শাবগুম শাদুনা শকখিবা ঈশৈ করম্না কাউবা ঙমগনি। ঐগী পুন্সিদি ঙসি মালেমসিদা লেপ্তুনা লৈরিবা তাঙ্কক অসিফাওবদা বার্থদে হায়বদু করিনো খঙদ্রবনি। অদুবু নঙনা নঙগী বার্থদেনি হায়দুনা পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ মচা অদুনা নৌহৌননা মীয়ামদা বার্থদেগী পীরিবা নুঙাইবগী মহাও অদুবু লৌরগুমসিরা। ফরে ঙসিগীদি ৰাহৈ খরসিনা ঐনা ফোঙদোক্লিংবা অমদি তমনিংবা পাউদমদুগী অরোইবা ওইহল্লগা মতাংসিদা তেনশিল্লগে। মথং কুমজাগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনগী মীয়াম চোন্না তিনবা মফমদুদা অনৌবা হিরামোটিগী শক্লোন পুদুনা লেঙবিরকউ। মতমদু ফাওবদং ঙাইরম্নবগী তাঞ্জা লৌজগে ৰারৌবিনু।

# নুংশিবদি চৎখ্রে, নীংশিংবদি লৈহৌরি

## নীংশিং ৰারী

**থৌদাম নেত্রজিৎ**

*(ঙরাংগী মখা)*

চুম্মী নোংমা কালেন থাদা প্রেমচান্দগা ববিতাগা ঐখোয়দা লাকখি। ঐনা কাদা লাইরিক ইরিঙৈদা। ববিনা ঐগী ইনাক্তা কুইনা ফমখি। ঐনা মঙোন্দা কোইদনা ৰারী কয়া শাখি। অদুবু মহাক চৎখি। ঐ মাবু মঙ্গোনফাওবা থিন্দোকখিদে; মহাক চৎখি। মহাক্না হায়রম্মী, “নেত্র, লৈহৌরো।” ৰাখলনদি মাবু থিন্দোকখি, লমদেংগী শাংলবা লমখায় তাবা লম্বীফাওবা; থম্মোয়নদি পেন্না হায়খি, নিংথৌখোংদা থুনমক শোইদনা লাক্কনি। পাৎ মপান্দা নঙগা পেন্না অমুক্তা ফম্মীন্নগনি।”

ইথন্নতা পাইরিবা কলমনা টেবলদা তারিবা অঙৌবা চেবাংদা হন্না হন্না শাফু কন্না থিনবা নত্তনা ঐহাক উপাই লৈখিদে; মহাক্না ফল্লম্বা ঐগী ফমুংদো, মানা খুল্লম্বা ঐগী মোনগী অনৌবা মোনখুমদা অহিংচুপ্পা মীৎকী পীনা মনীং তম্না শান্নখি।

ঐগী লাইরিক *কংশিনখ্রবা মীৎকী পি* ফোঙলমদাই বার্ত্তন পীবা য়াম্না চৎনিংখি। মানা তত্তনা হায়বনি, “নেত্র নঙগী লাইরিক ফোঙবা অমুত্তংদি ঐ য়াওজগে?” লাইরিক ফোঙলমদাই মাবুতা নীংশিংই- মাবুতা য়াওহন্নীংই; নোংমা ঐনা তেলিফোলদা হংখি, “নঙনা লাইরিক ফোঙবা লাক্লবদি কনাগা লাক্কনি?” ঐনা হংলুবতনি- মাগী মখা তাবা পাউখুম ঐ করিসু তানিংলুদে; মাগা লাক্লিংবা মীগা লাকপদা ঐনা করিবু হায়রুগনি, মাবু ঐগী কনানো?”

ঐখোয়গী লৈবা কুইদ্রিবা এম্বেসেদর কার, ইনাওনুপা অতোম্বা ইবোতোম্বনা থৌরগা,ইনাওনুপা ইনাওবীগা লোয়ননা ববিগী বার্ত্তন পীবা চৎলি। মতমদুদা ইনাওচাদি মপান্দা অর্মি ওইখ্রে। অনৌ অনৌবা ইনাওশিং তীন্নরকই; অরি অরিবা ইনাওশিং লাপ্নখি- পুন্সিগী লান্থেংদা। খংকি কিরই, পাখৎলি- নোংমদি ববিসু কায়নখিনি; মহাক চৎখিনি। অনৌবা য়ূম্বান অমদা। ইথন্নতা ইকায়জৈ, করিগী পাখৎলিবা- মশানা মতমগী মতুংইন্না অসুম্মক চৎচখ্রগদবা ববিতাগীদমক ঐনা করিগী ৰাবনো? মশা মতিক চাজবী শক চুদা ৰাৎতবী ইনাক কৈরাক খুল্লবী ববিতানা য়ূম পানখিবদা মালেমগী শক্তি কনানা থিংবা ঙমগদগে? মীমান্নদবা নেত্রজিৎনা মহাকপু মখূৎ পায়দুনা করম্না থিংলুগনি?

* * *

লমশাং বজারদা ঐগী লাইরিক ফোঙবদা মহাক ঙন্না লাকখি। ইং ২০০০, এপ্রিল থা; ময়াই ওইরপ চাউনা ফোঙখিবা *ঐগী কংশিনখ্রবা মীৎকি পি* মহাক লোইবফাওবা য়াওখি। মহাক মমান্নবা অমগা হনখি। মল্লমদাইদা হনখি। থাপ্লবা নিংথৌখোংদা মহাক হনখি- চৎলমদাইদা মহাক্না হায়রম্মী, “ঐগী ইচম চম্বা ইমান্নবনি, থাংমৈবন্দদগী বোবী।” মরম অমত্তদা নুমিৎতুদা ববিদা ঐ পেন্দবা লৈখিদে। মানা ঐবু নুংশিবীদুনা ঐগী লাইরিক ফোঙবা লাকখি। মদুমক্না ঐ পেনখি। বোবী কনানো ঐ মঙোন্দা হংখিদে। বোবীবুসু থাগৎখি। চৎলমদাইদা ববিতানা হায়রম্মী, “ঐগী শৈরেং অমত্তংদি ইয়ূ নেত্র।”

বার্ত্তন থিনবা চৎপা নুমিত্তসু মখোয়গী কোম্থোংদা, ঐনা গাড়ী মনুংদা মানা থোঙনাও ময়াদা কুইনা ৰারী শান্নখি। মানা হায়খি, “নেত্র, নঙ ঐগী করিগুম্বা অমত্তদি ইয়ূ, পুন্সিচুপ্পগী কাউদনবা।” নুমিত্তুদসু ঐনা ৰাশক্তুনা হায়রমখিবনি, “ববি, নঙবু কাওদনবা, ঐনা নঙবু নুংশিবসে মুত্তনবা- ফজবা শৈরেং অমত্তংদি ঐ ইগে।” ৰা হায়বা লোইদনা খোন নিকখি। ঐগী খোন নিকখিবদা মহাক খঙলমদবসু য়াই, খঙলম্বসু য়াই। অদুগা ঙসিসু মহাক্না অমুক্কসু শৈরেং অমা ইননবা হায়রি।

* * *

কুইরে নিংথৌখোং চৎখিদবা, খোঙ খুৎ নিকপা শোনবা অসুম অসুম হেনজিল্লকই- লাইরিক ইবগী মীনা শকখঙবীবসু অসুম হেনগৎলকই। পাঙ্গলনা অসুম অসুম শোনজিল্লক- ইচিল ইনাওশিনা অসুম অসুম য়ূম পানশিল্লক, ইমানা অসুম অসুম অহল ওইশিল্লক, ময়ামসিনা ৰাখলসে নোংমা নোংমগী লৈতাবা ঙম্লক্তে। হিংনিংবগী ময়াইগা, শীনিংবগী লীচিংগা কননা চীংনরকই। খাঙবা ৰারবা পুন্সিসিনা কয়াম কুইনা খাঙখিগদবা! অদুবু ববিতা, নঙগী শৈরেং অমত্তংদি ঐনা থম্মোয় পেন্না ইগনি।

ইনাওচানা ছুটি থোক্লকপগী প্রেমচান্দগা নোংমা ঐখোয়দা লাকপদা প্রেমচান্দনা হায়, “তামোচৌ ববিতাগী করিগুম্বা অমত্তং ইবিদবা য়াররোই, ঐ নিংথৌখোংদা লৈফমগা খঙদ্রে।” মখোয়না চৎখ্রগা ঐনা ঐগী থম্মোয়গী থনুংদা ইথন্নতা মুকচখি। লোক্তাক মশাইগোন্দা পোমজবী, নিংথৌখোংগী ওকনরেল লাইশঙ, গোপিনাথ, রাধা মান্দোপ ময়াদা লৈশাজবী, তুমিন্না লাৎচবী ববিগীদমক ঐনা ফজবা শৈরেং অমফাও ইবা ঙমদ্রবা ঐনা কবি ওইরুগনি করিবু কান্নগনি?

ঐনা মসিমসু লোৎশিল্লগা থম্বা ঙমদ্রে। থম্মোয় শেগাক কায়খিবা থৌদোক অমসু ইকায়জৈ হায়দুনা করম্না লোৎশিনগনি। লোৎশিনবগী অৰাবদু খাঙববুদি ইকায়বনা হেন্নসু ফৈ; ঐগী খুনগী অৰাং লৈকায়গী ববিতানা ইঙাও ঙাওনা ঐবু নুংশি হেক্তা হায়রখি। ঐখোয়দা ঈশৈ ময়েক, শৈরেং লৌবা লাকপা নহাক্না ঐঙোন্দা মদুবু করম্না হায়জিল্লম্লিবা? ঐগী ফীভম নঙনা খঙনা খঙনা। ঐনা নঙবু কয়াদা ঙাওখি। নুংতিগী সাইকল থৌবীননবা ইমান্নবা থিরগা নঙগী কোম্থোং মপাতবু য়েংননবা চৎখি।

খুনগী লাই হরাওবা- লীলা ঈশৈ তৌইরকপদা নহাক উননবা হোৎনবদা ঐনা অঙাওবা ওইখি। ইমান্নবী শুসিলাগী য়ূমদা লাক্তুনা নঙবু উন্ননবা কয়ারক হন্না হায়খি; উন্নখি- নীংশিংলি। ইনাওনুপা ইনাওবীগা লমদেং চীংমৈদা নহাক উন্ননবা লাকমীন্নবদা নঙনা ইকায়খিবদো, ঐনা হায়খিদনা- ইনাওনুপানা পুদ্রবদি কনাগা লাক্কনি? অমুকসু নীংশিংলি ১৯৯৪গী অনৌবা চহি লাকপদা ঐগী মখা লৈকাইগী হাও চীংগী চীংথক্তা নিউ ইয়ারগী চাক চামীন্নখি। ইমান্নবশিংনা ঐবু সাইকলদা হাপ্পুনা পুখৎখিদনা! হল্লকপদা নঙনা ঐখোয়দা চঙলকখিদনা। নৌনা লাকপী ইতৈমনা নঙগী কথোকপা মতৌদা কপখিবদো; ঐনা কা মনুংদা তাখি। মীকপতো ঙসিসু থম্মোয়দা লৈহৌরি। অদুবু ববিতা মশীং খঙদনা উন্নরবসু নহাক চৎখি। নহাক নুপীনি- নঙগী ইমানা ইপানা নমান্নবীশিংনা নহাকপু শোইনাইবা অমগী লোইনবী করম্না ওইহনিংহনগনি? ঐগী ইমানসু ঐগী ইনেনসু নঙবু ঐগা মরী লৈনদনবা কন্না হায়খি। ঐ তুমিন্না লৈখিদনা- নঙগী লুহোংবা থিনখিবগী ধোন মখোল তাদনবা ঐনা ঐগী কা মনুংদা নাকোং অনীসে খুৎনা মেনশিন্দুনা খাঙখিবদো। ইমানা চাকখুমদা চাক থোঙনা থোঙনা পি তাখিবদো; ববিতা হৌজিক্তা ঐনা নীংশিংলকই তু খ্যাও খ্যাও চুংলকই। নঙগী মৈচাক মৈশা ঐঙোন্দগী কোক্ত্রি। মীমান্নদবা অমবু পুন্সি খোঙলোয় ওইবা য়ারোই খন্দুনা নঙনা ঐবু থাদোক্লম্লগা চৎখিবদো মদুগী থিনজিনবীরম্বা তাশোনগী দাকফম কোক্ত্রি। নঙগী দাকফম কোক্ত্রিবা ঐগী থৰায় হকচাংদা ঙসিসু অমুক নিংথৌখোংগী ববিতা!! কায়নবগী ঈশৈ চীনফা পুরবা ইচিনসিদা ঙসিসু অহিং নুংথিল মঙলান তাইবঙ অনীমক্তা পাঙ্গল থৌনা য়াওদনা নুংশি ঈশৈ শক্লি। হে ঈশ্বর, অৰাবনা পল্লোন খাজিনবীরবা ইফমসিদা ঐনা নোক্লা নোক্লা নঙগী নুংশিবা শৈরেং অমদি ইখি- ঐ ইখি ববি নঙগী শৈরেং অমা ঐনা ইখি - য়ুম্নাক হোংখ্রবী, শাগৈ ওনখ্রবী লমগী চেক্লো অৰাংগী ববিতা নঙসু নীংশিংখি। চাম্মরক নিংথৌখোংগী ববিগী শৈরেং ইবদা; খঙদে মসিরা পুন্সি হায়বদো? কায়নখ্রবী অমদি কায়রগদবীনি খঙনা খঙনা থম্মোয়বু হঞ্জিন হঞ্জিন থিনগাইরিবী।

পোক্নফম খবরদা “নিংথৌখোং ববিতা” হায়না মমিং থোনবা নোংমাইজিংগী সাহিত্য কলমদা হাপখি। মঙ্গোলদা খবর পারিঙৈদা তামো দোনেশ্বর কোন্সম গাড়ী মচাদা খঙহৌদনা চঙলকখি ঐগী য়ূমদা। ইঙক ঙক্লিঙৈ তামোনা ঐঙোন্দা, “নঙগী শৈরেং ফজমনবগী ঐ থাগৎলুগে হায়দনা হেক্তা চেল্লক্লিবনি।” তামোগা ঐগা শৈরেং হন্না হন্না পামিন্নখি । তামোনা হায়, “নঙগীসু ওজা নিলকান্তগী ‘নিংথৌখোংগী চন্দ্রশখি’গুম ফজরবা শৈরেং অমদি লৈরেদনা। ৰারী খঙনিংখ্রেদা নেত্রজিৎ।” অঙকপনি তামোসে ঐখোয়দা অমুক্তসু লাক্লিবনি।

শৈরেং ইখ্রবা, পাউ চেদা হাপখ্রবা মতুং নিংথৌখোংদা কা হেন্না চৎনিংলকখি। প্রেমচান্দগা ইনাওচাগা নোংমা ঐখোয়দা লাকপদা খঙনিংনা হংখি, “নখোয় শৈরেং পারব্রা- ববিদি শৈরেংদো পারমগদ্রা?” ইনাওচানা, “তামোচৌ, নঙগী শৈরেংনা ববিতাদা নত্তনা ঐবুসু ঙাওহল্লি।”

ইনাওগী ৰাহৈখক্তনা ঐ পেনখিদে। ঐ নিংথৌখোং য়াম্না চৎনিংই। ববিগী ৰাহৈ তানিংই। মাগী মমাংদা থম্মোয় পেন্না শৈরেং পানিংই। নিংথৌখোং চৎননবা ঐ অরোনবা প্লান তৌই। ঐগী লমদেং খুনগী নুংশিরবা ইনাও-ইশৈ খরা খরা শকপা কলাকার সুনিলবু হৌদুনা ঐ অয়ূক অমা নিংথৌখোংদা নুমিৎ খরগী লাকখি। চেৎনা খবরদু পুরকই। হেন্না য়াশিল্লক্তুবা হকচাংগী ফীভম ঐ থোইনা খনখিদে। ঐনা লাকপদো মেরা থানি। নুমিদাং খূদিং লৈকায় খূদিং য়ূমথোং কয়া মেরা পালিগী নুংশিরবা ঈশৈনা কনাবুসু লৈতাহন্দে। হরাও কুম্মৈনা মশক মচু থোকহল্লীবা পূক্লিং থম্মোয় লাংলবা নিংথৌখোং, পুন্নমক্কী মরক্তা ঐসু য়াওবা লাক্লি - অরোনবা চাক্লিবগুম। ঈশৈদা ঙাওজবা ইনাও বল্লু- ঐগা লাকমিন্নবা সুনিল, ফিল্ম পামজবা সুর্জিৎ মখোয় অহুম্ন া ঐবু মেরা পালিগী মাইক্কী খোঙ্গেল, ঈশৈগী সুর, পানখৎলকপা থাগী মঙাল পুম্নক্না পুমতোৎ তোৎশিন্নহনখি ঐগা। পাৎ মপান্দা প্রোজেক্কী মৈঙালদা অথেংবা থাবলদা ঐ পুমঙাও ঙাওখি। শোইনাইবনি হায়বা কাওহনখি। মরক্তুদা ঐনা লোন্না নীংশিংখি, “ববিতা।”

লাকপগী নীনি চনবগী অয়ূক্তা প্রেমচান্দনা ঐঙোন্দা, “তামোচৌ ববিতানা হোরেল নুমিদাংদি মখোয়দা লাকউ হায়; চৎতবা য়াদবনি।” ঐনা ‘হোয়’ হায়দোকখ্রে। শ্বাই লাউরকই। পাখৎনা প্রেমচান্দদা হায়, “কমাইনা চৎলুদোইনো- ঐগী ফীভমসিদা, ময়ূমগী মীনা থীনা নোক্ন খিনবা।” প্রেমচান্দনা থুনা খুল্লকই, “ তামোচৌগী ফীভম খঙনা খঙননি মানা লাকউ হায়রিবসে, মহাক্না থোকপা শীঞ্জনি- মা য়াম্না শীংবনি।”

নুংথিলদা ববিনা ঐবু কোয়থি থীরকই। পাৎ মপান্দা- ঐখোয় পুন্না ৰারী শাই। মানা শৈরেং হাপ্পগী য়াম্না থাগৎলি, হরাওখি। ময়াম মরক্তুদা ঐ মঙোন্দা ৰা অমত্তা হায়খিদে। মানা চৎলমদাইদা তুমিন্না হায়রম্মী, “হোরেল, নুমিদাং শোইদনা লাকউকো।” সুর্জিৎ তাহৌরামাল্লে, “ইচে তামো ইকায়দনবা য়ূমগী ইতৈমাহোইদো মেরা পালিগী লোইনা চৎহনখ্রো।” লোইনা খঙলবগুম সুর্জিৎতা ববিতানা নোক্লা নোক্লা মঙক হায়রম্মী।

নুমিদাং ঙাইবদা ওম্থোক্লা ৰাখি- ইথন্নতা ওম্থোক্লসু ইকায়, ঙাইবদা ৰারীবা, ইসু ইকায়রিবা। নিংথৌখোংসিদা ঐসে অঙাওবা অমা ওইরে। ইশাগী অশোন অনাবা লেংঙম শাঙমদ্রবা ইশাসে নোংশা চাম্মগী পাঙ্গল য়াওরবগুম ওম্থোক্ন সু লাংখ্রেদকো। অসুক নুংশিবা,অসুক পাম্মুজবী; নঙনা ঐবু ওম্থোক্লসু ঙাওহনখ্রেদকো।

চুম্মী, ঐ নঙবু তশেংনা নুংশিয়ে, নহাক নুংশিবগীনে ঐনা নিংথৌখোংদা লাক্লিবসে, লৈনিংলিবসে। নুংশিবদুনা নঙগী মিংসে ঐনা মপুং ফানফাও কৌবা ঙমদেয়ে; অদুননি ঐনা কৌরিবা নঙবু -“ববি..”

তরামরীনি পানবা থাজনা কারাং চীংদোলদগী তপ্না তপ্না থোরকই। মৌ অনৌবীগুম। লৈচিলগী কোকখুম্ফী খুমদুনা। মেরা পালিগী ঈশৈগী সুরদা , জোয়ো জোয়ো রাধে- রাধে, রাধে, গোবীন্দা রাধে …।

প্রেমচান্দ,ইনাওচা, সুর্জিৎ, সুনিল ঐখোয় পুন্না ববিতাহোইদা সাইকল অহুম মরী মরী থৌজিল্লী- শুমাং মঙ্গোল মৈ মুৎলম্মী। শুমাংদা কোইনা চৌকি ময়াম থারম্মী। ঐ ঙকই। ঐখোয় ফম্মী। ববিতা তুমিন্না ইমুংদগী থোক্লকই। মখুত্তা অচাকপা কেন্দল অমা পাইরকই। ঐনা ঙক্লা হংলুই ববিতাদা, “ববি, ঙসিসে মৈ লাক্তব্রা?” ববিতানা তুমিন্না খুল্লকই, “ মৈ লাকই; নহাক লাকপগী নঙ ইকায়দনবা ঐনা মুৎথৎপনি।” ঐ হেন্না হেন্না পাখৎলি, “ইমা পাবহোইদি; ইনম্মহোইদি?” মানা নোক্লগা খুল্লকই, “ মেরা পালি লোইনা চৎখ্রে।” সুর্জিৎতা খঙয়েং য়েংলুই- মঙক নোক্লকই। ইথন্নতা খল্লি, ‘মসিবু হেক্তা য়াব্রা; হায়জিল্লিব্রা?”

ববিনা ইমুংদা চঙখ্রগা চা পুথোরকই; চানবা ময়ামসু। অথেংবফাওবা ৰারী শামীন্নখি, নোকমীন্নখি। চৎলমদাইদা ঐনা থৌনা লৈনা হায়রম্মী, “ হয়েংদি পাৎ মপান্দা ঙাইহাক্তং লাকউ; ঐ নঙগী শৈংেদো নমাংদা অমুক্তা পাগে।” মানা খল্লগা হায়রকই, “ওফিস ছুটি পুং অনীদা লৌরগে ঐ শোইদনা লাক্কে নেত্র।”

অহিংদু তুম্বা য়াখিদে- মঙলান অমদা ঐ তাওখি। পুন্সিনা পুন্সিবু কাওখি। মাবু খন্দুনতা লৈখি। অহিংচুপ্পা মাগা লোইনখি-থাদোকখিদে।

নুমিদাংৰাইরমগী ঙাংলপ তৌবা নুমিৎকী মঙালগী মথানুংদা মা ঐ ফল্লি পাৎ মপান্দা। অথাপ্পদা অঙাংশিংনা মনীং তম্না চেন চোংনা শান্নরী। অতিয়াদা উচেকশিংনা মনীং তল্লি, পাক্লবা লোক্তাক্কী লাইজনা অতিয়াগী লৈচিলগা নুংশিনরী; মানা ঐবু মুন্না য়েংলি। ঐনা শৈরেং পারী,

**নিংথৌখোংগী ববিতা**

পনখৈ নাইদ্রবা নুংশি মীৎয়েং অমনা
নঙগী থম্মোয়বু ফাওদুনা য়েংজরুই
নঙনদি করি খনখিবগে?

নুংশিবা কল্লক খম্বনবা ৰাখলনা মাঙওইনরদুনা
ঐগী ঈরাংগী পাত্র মনুংদা
নঙগী নীংথিরবী মায়থোঙ
চোইজাইনরবী শল্লাং
থোৎ-নৌরবী নঙগী হকচাংগী কাচিন-কোয়া
পুন্নমক
হাপচীন্দুনা থল্লুই
ফোঙ-ফোঙ শানা।

মদুদি ৰাখলনি খঙলক্লবদা,
লমহেল্লবা ঐগী মঙাও থীরগদবা মতৌদা
নঙনা কিরদুনা চেম্থোকখি
পাক্লবা লোক্তাক্কী ঈপাক্তা
হি হোল্লদুনা
মজাইবেম্মা থোইবীগুম
নুংশিৎকা লমজেল তান্নরদুনা,
অদুবু নঙগী শল্লাংনদি
মনীং তম্না কোয়লৈ লৈরদুনা
ঐবু কৌখি কয়ারক
পাৎ ময়াদা
চীল্লোক্লনবা থম্মোয় অনী
চোইরবা শল্লাংশিংবু
পুনবিরনবা শম্বূল ওইনা।

ঐ খঙঙি
অতিয়াদা পাইরিবশিং
জুরা জুরা ঙাক্তনি।
ঈয়াইদা মমি তারিবশিং
জুরা জুরা ঙাক্তনি
অদুবু
নঙগী থম্মোয়দি নুংগুম কল্লি।
পাক্লবা ঈপাকসিদা থোৎতবা করিবু লৈরিবগে
অতাউবা ফূমশিং
উরিবা তাল্লবা চীংদোলশিং
হিহোনবীশিংগী খুল্লঙ ঈশৈশিং
কনাগী থম্মোয়নবু কনবগে।

ঐগী থম্মোয়দগী লোইবা নাইদনা আশা কয়া
ফুদোংলক্লি থাবল মঙালগুম
কূপশিনবিরি নঙ ঐ,
চান্নরবী ববি
পুন্সি হায়বসে করিনো খঞ্জবা ঙমদে
নঙগী নমাঙদদি
হিংবা নৎত্রগা শিবগী ৰাদা লূপচবা ঙমদে
নঙগী মোমোন মীনোক মরক্তুদদি,
পোথাদুনতা লৈনিংঙি
নঙগী নতম্বাক্তা ইকোক অসে থমদুনা
পাৎ মপালগী নামিবা নুংশিৎকা
নঙগী ফুইনা হোনবা নুংশা-স্বরগা
য়ানশিন্নবা অঈংবা মরক্তা।

অদুবু ঐ য়াম্না ৰায়
কনশিল্লিবা নঙগী থম্মোয়দুগা
থোৎলবা নুংশিবগা
করম্না পূনবা য়াগদগে?

ঐগী উপাই লৈত্রবা মীৎকী পিনা মনীং তম্না চেম্থরি। মহাক কপখিবরা? অদুবু ঐদি পেন্না কপ্লী, মহাক্তি কপখিদরবা - অদুবু ঐদি ববিগী নাক্তা পি শীন্থরী-। ইকায়বা থাদোক্তুনা ঐনা হায়, “নঙবু য়াম্না নুংশি। নঙগী ননাক্তদা চৎনিংই ববি। ঐগী মপোকসে নঙগা লাপথোক্লখিনি খনবদা ঐ হৌজিকমক শীনিংই।”

নুমিৎনা অথাপ্পদা থাংজিং চীংদোললোমদা অসুম অসুম লৈথখ্রি। লোক্তাক ময়াইদগী অমম্বনা মশোং ফন্না কাখৎলকই। ঐ খঙহৌদ্রে। মহাক্না চৎখিবদা, মহাক্কী মীৎকী পি মথন্তা তৈথোকখিব্রা? অদুবু ঐ খঙই- ঐনদি তৈথোকখিদে। ঐদি মীমান্নদবনি, ইনিং তম্বা ঙমদ্রবা। পেন্নদি লাউখি, মখোলদি থোক্তনা, ঐ নঙবু নুংশি ববি।

*(মথং-মথং)*